# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 29-08-2024)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-মনিপুর অসি মিলেটতগী শেন্বা পোৎথোকশিং পুথোকপগী লমদা মাংজিল থানা চংশিল্লক্লি।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মিলেটপু ঐখোয়গী চিঞ্জাক্কী শরুক অমা ওইনা শিজিন্নবা হেনগৎহন্নবা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদুবু ইকায় খুমবগা লোয়নননা রাজ্য অসিদা চিঞ্জাক অসিগী পোৎথোকশিং হেন্না পুথোকবগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। মহাকা হায়-মনিপুরদা হৌজিক মিলেটতগী শাবা, হেক্তমক চাবা য়ারবা চিঞ্জাকশিং লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগুমা মায় পাকা পুথোকপা ঙমলে। মসি হৌগৎলকপদা ঙায়রিবনি। মখা তানা কন্না হোৎনদুনা মিলেটকী পোৎথোক অমসুং মিলেটতা য়ুম্ফম ওইদুনা শাবা পোৎলমশিং হেন্না পুথোকবা হোৎনখিগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

**হাইপৌ (এল)ঃ** হাইপৌ জাদোনং লৈখিদবগী নীংশিং থৌরম ঙসি মফম কয়াদা পাক শন্না পাঙথোকবা শেম শারে। হাইপৌ জাদোনং দেদ এনিভরসরি কমিতিনা শিন্দুনা ৯৩ শুবা নীংশিং থৌরম ঙসি কৈশাম্পাৎতা লৈবা হাইপৌ জাদোনং মেমোরিএল পার্কতা পাঙথোক্কনি। অদুমওইনমক, হৌজিক ওইরিবা লৈবাক্কী ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা মহৌশাগুমা চাউনা থৌরমদি পাঙথোক্লরোই। লৈখিদ্রবগী মীতমদা লৈ-শু কৎপগী থৌরমতমক পাঙথোক্কনি হায়রি।

হাইপৌ জাদোনংগী পোকফম লমদম নোনে জিলাগী কন্বীরোল-পুইলুৱানদসু ঙসি অথৌবা অসিবু নীংশিংবগী থৌরম হাইপৌ জাদোনং মেমোরিএল কমিতিনা শিনদুনা পাঙথোক্কনি। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা নৌনা শেম্বা হাইপৌ জাদোনংগী মীতম অমা ঙসি ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি-

অৱাংনৌ ন্যুমাইনা মায়খুম হাংদোক্কনি।

কবুই য়ুনিয়ন মনিপুরনসু হাইপৌ জাদোনংবু নীংশিংবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী হয়িং খোঙবালদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহিগী শঙলেনদা পাঙথোক্কনি হায়রি। থৌরম অসিদা কবুই ফুরুপ অমসুং অতোপ্পা য়েলহৌ ফুরুপশিংনা লুচিংবা অসিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎকনি।

**নিংথৌ (এল)ঃ** রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়রি- হৌরক্লিবা মীরোলদা ইমা লৈবাকপু মশক মুন্না খঙবগা লোয়ননা নুংশিবা তন্বীগদবনি।

ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই সাজোর লৈকাইদা লৈবা ব্রুসুস স্কুলগী কেম্পস টুদা ঙরাং পাঙথোকখিবা মহৈরোইশিংগী ওইবা থৌরম অমদা শরুক য়ারদুনা মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়-ঐখোয়গী হৌরকঙৈদগী চৎনরকপা চৎন-কাংলোন অমদি লমদম অসিদা তোৎন-তিন্নদুনা লাক্লিবা ফজরবা থকশি খাসি অমসুং চৎনবীশিংগী মরমদা মহৈরোইশিংদা নীংথিনা খঙহন্নবা হোৎনগদবনি। ঐখোয়গী ইরমদম অসিগী মরমদা নীংথিনা খঙলবা মহৈরোই অদুনা তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরকপদা মরৈবাক মরমদমবু শোয়দনা নুংশিরক্কনি।

মহারাজ সনাজাউবনা হায়-মহৈরোইশিংদা অতোপ্পা লোলশিং হৈননবা নীংথিনা তন্বীবগী মমি তারবসু ঐখোয়গী ইরোল অসি মীরাইবগী মওংদা চথুরিবা শিক্ষাগী পথাপ অসি হোংদোকপা মতম ওইরে। মসিদা ওজাশিং, মমা-মপাশিং অমদি স্কুলশিংনা অচৌবা দায়ত্ব লৌগদবনি।

**গভনর (এল)ঃ** রাজ্যপাল-লক্ষ্মন প্রসাদ অচ্যারিয়ানা ঙরাং ইম্ফালগী জৱাহরলাল নেহরু মনিপুর দান্স একাডমীদা চৎতুনা একাডমী অসিগী গুরুশিং, আর্টিষ্টশিং অমসুং মহৈরোইশিংগা উন্নখ্রে। খোঙচৎ অদুদা একাডমী অসিগী মহৈরোইশিংনা উৎপা কালা সংস্কৃত্তিগী থৌরমশিং রাজ্যপালনা য়েংখি।

**ইভিক্সন (এল)ঃ** আই.জি.এ.আর. সাউথকী খা থংবা গেটতগী হৌরগা লাইফম সিফাই-নাগারম ফাওবগী মরক্তা নাগা নালাগী পরিংদা আইন কায়না লম খোপচিনবশিং তকথোকপগী থবক ঙসিদগী হৌরগনি। পোরোম্পাৎকী এস.দি.ওনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-ইম্ফাল ইষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা মমাং থাগী ১০ দা থোকখিবা হুকুম অমগী মতুং ইন্না লম খোপচিনবশিং ঙসিদগী হৌরগা মথং থাগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা তকথোকবা থবক লৌখৎলকপনি।

**এআর (এল)ঃ** চান্দেল জিলাগী চেয়াং ভিলেজতা হাংদোকপা অসাম রাইফলসকী মোবাইল ভেহিকল চেক পোষ্টতা নহান অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা লুপা কোতি মঙা লাখ ২৯ লোমগী মমল ওইগদবা ক্কা সুপারি ফারে।

অসাম রাইফলসকী চেরোল অমদা হায়-চাউরাকা টন ৬১.২ রোম ওইগদবা ক্কা সুপারিশিং অদু গাড়ি ১৮ দা হাপ্তুনা ম্যান্মারোমদগী ঙমখৈ লান্না পুশিল্লকপনি। আইননা য়াদবা থবক থৌরমশিং ঙমখৈ লান্না চত্থরকপা থিংনবা অসাম রাইফলসনা লৌখৎপা খোঙথাংশিংগী মনুং চন্না পোৎলমশিং অদু ফাগৎখিবনি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু চকপিকারোংদা লৈবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা শিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিনদুনা কামজোং জিলাগী চছাদ তাংখুল ভিলেজতা ঙরাং ফ্রেন্দলি বোল্লিবোল মেটচ অমা পাঙথোকখ্রে।

মোরেগী বি-বোংজাং ভিলেজতা লৈবা প্রাইমারি স্কুলগী মহৈরোইশিংদা লাইরিক তম্বদা চংবা পোৎলমশিং অসাম রাইফলসনা য়েন্থোকখে হায়রি।

**ৱেদর (এল)ঃ** নোনে জিলাদা ঙরাং শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৩৭.৪১ য়ৌখি। ইম্ফালদদি শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৩১ রোমতমক ওইখি।

রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটকী পাউনা

হায়-সেনাপতি জিলাদা ঙরাং মিলিমিটর ৭.১ গী চাংদা নোং চুদুনা রাজ্য অসিদা খ্বাইদগী য়ামা নোং চুবা মফম ওইখি।

**মীফম ঃ** ১৭ শুবা ইন্দিয়া-ইজরেল ফোরেন ওফিসকী মীফম ঙরাং ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে। ভারতকী মায়কৈদা ফোরেন সেক্রেটরি-বিক্রম মিশিনা লুচিংখি। অদুগা ইজরেলগী মায়কৈদনা ইজরেল্লি মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফিয়ার্সকী দিরেক্তর জেনরেল য়াকোব ব্লিস্তেননা লুচিংখি।

মীফম অদুদা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈনরক্লিবা মরী হন্না য়েংশিনবগা লোয়ননা মখা তানা লম কয়াদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা খন্নখি। খা থংবা এসিয়া অমসুং ইন্দো-পেসিফিক লমদমদা ওইরক্লিবা ফিভমশিংগী মতাংদসু মীফম অদুদা খন্নখি। মমাং চহিগী ওক্তোবর ৭ তা ইজরেলদা তমথিরবা টেরোরিষ্টশিংগী এটেক চথখিবা অদুবু ভারতনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা ফাজিনদুনা থল্লিবা মীওইশিং সত্ব অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি হায়নসু ভারতনা ফোংদোকখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুরদা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎলায় কয়া ফাগৎখিবা, কোকোমিনা মীরৈবাক্কী লালহৌবশিংনা লুচিংবা লালহৌলুপশিংগা সু তৌনবা য়ারোই হায়বা ফোংদোকখিবা অমদি হন্দক রাজ্য অসিদা লেপ্তুনা নোং চুবদগী ঈচাউনা অমাং অতা থোকহনখিবগী পাউশিং মরুওইনা ফোংবা থেংনরি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎলায় ফাগৎখিবগী পাউ অসি-পিপলস ক্রোনিকল, মনিপুর ন্যুজ, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সনা লৈবাক, সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসননচিংবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসি সনা লৈবাক পাউচেদা পুলিসকী আমরদগী লাকখিবা নোংমৈ তরেৎ

সেক্তাদগী ফংবা ঙমখ্রে, কম্বাইন ফোর্সনা ফাখিবা খুল ঙাকপা অমা নুপীশিংনা মুলহৌরে হায়দুনা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসিমক, হুইয়েন লানপাউ পাউচেদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা খুৎলায় পায়বশিংগী মথক্তা অকনবা উকায় তকথরক্লি হায়না হেদলাইন তৌদুনা চাউনা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

কুকি লালহৌবশিংনা সসপেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) তৌনবগী মতাংদা কোকোমিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমগী পাউ অসি পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-মনিপুরগী লৈমাইদা কুকিশিংগী সু চৎনবা য়ারোই হায়বা হেদলাইন অমদি পিপলস ক্রোনিকলসতা মীরৈবাক্কী লালহৌবশিংগা সু তৌনবা হায়বসি আর্থ য়াওদবা ৱাফমনি হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসিগা মান্নবা মওংদা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা লামাইগী অহানবা পাউ অসি-সেক্যুরিতি এজেন্সিশিংনা চিংনরি, মিজোরামবু ফোরেন রিবেলশিংনা শীজিন্নরব্রা হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-ওইল পম্পদা পেত্রোল থানবা হোৎনবদা লিটর লিশিং ১,৪৭৩ ৱাৎলম্বদগী ৱাথোক ওইখ্রে। রিটেল আউটলেটশিংদা চপ মান্ননা থাউ পীরবদি মীয়ামনা ক্য লেপ্পা হন্থগনি হায়বা হেদলাইনদা পাউ অমা অহানবা লামাইদা য়াওরি। পাউ অসিমক পোকফম পাউ-চেদসু ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-শন্থেল অমদি হঙ্গুনগী লৌ পরি লিশিং অনিরোম ঈশিংনা থুমজিনখ্রে, থৌবাল লৈশাংথেম খোং মনুংগী লৌমী-ঙামীশিং কোক্তা খুৎ হাপলে হায়বা হেদলাইনদা হন্দক রাজ্য অসিদা ঈচাও থোকখিবগী মতাংদা পাউ অমা ফোংলি।

ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউ-চেশিংদা য়াওবা অতোপ্পা পাউশিংগী মনুংদা-মনিপুরগী শকাইরবা ফিস ফার্মর-সলাম রোহেন্দ্রোনা নহা ওইরিবা সিভিল সার্ভিস প্রোবেস্নরশিংগা ইন্টরেক্ট তৌগদৌরি হায়বা পাউ অমা ঈচেল এক্সপ্রেসকী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

মনিপুরদা রেবিসনা মী শিবগী চাং হৌখিবা চহি মঙাদা হন্দক্কী চহি অসিনা খ্বাইদগী ৱাংলে, জানুৱারীদগী ঙসি ফাওবদা রেবিসনা মীওই ৮ শিখ্রে হায়বা পাউ সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল তমেংলোংনা এক্সিলেন্স অমসুং লু-নানবা অমদি ইকো ফ্রেন্দলি ওইবদা পীবা কয়াকল্প এৱার্ড ফংখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নাগালেন্দগী ফিজামা ভিলেজতা স্বাইন ফ্লুগী কেসশিং লৈরে হায়না কনফার্ম তৌরে হায়বা পাউ অমা তমেংলোং টাইমসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-লৌবুক কয়া বরাক তুরেলগী ঈশিংনা মাঙহন তাকহনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।